ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, সেপ্টেম্বর ২৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৭৭শুবা মশীং

## ময়ায় লম্বী
### মতমগা চুনহনবা চুমগনি

ময়াই লম্বী হায়রগসু খঙনবা ইম্ফাল-ময়াং-ইম্ফাল লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি মতমসিগা চুনদ্রে। হায়বদি লম্বী অসিগী পাকপা অমসুং কন্দিসনগা লম্বীসিগী ত্রাফিক্কী ভোল্যুমগা ওন্থোক্লা চানদ্রে। ওইরিবা ফীভমসিদি থোং ফত্তবদা মী ময়াম থোমজিনবা, শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোনগৎপগী থৌদৌ অদুম্মক থোক্লে হায়বদা হায়মনবা অমসুং হেঞ্জিনবা ৱাফম শুকওই ওইররোই। ষ্টেট হায়ৱেশিংগী মনুংদা ময়ায় লম্বীসিনা খ্বাইদগী ত্রাফিক ভোল্যুমগা চানদবা লম্বী অমা ওইরবনি। ফীভমসি ঙসি-ঙরাংতা ওইরকপা নত্তে, কুইরে, চহী য়ামশিল্লক্লে। কুইশিল্লকপগী হৌনবা লম্বীগী ফীভমগা ত্রাফিক্কী ভোল্যুমগা চানদবসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। ফীভমসি ওইরকপগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিং অদুগী মনুংদা লম্বীসি ময়ায় লম্বী হায়রগা ইম্ফালদগীনা ময়াং-ইম্ফাল ফাওবা খক্তংগী ওইদে। ইম্ফালদগী ময়াং-ইম্ফাল ফাওবদি শুপ্নতগী কিলোমিটর ২২ খক্তনি। অদুবু ময়াং-ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙদা য়ুংলিবা কিলোমিটর ষ্টোনসিগী মখারোমদা ময়াং-ইম্ফালগী মনুং চল্লিবা বেঙ্গুন, উচিৱা, হঙ্গুন অমসুং সেকমাইজিন লৈরি। লম্বী পরিং অসিনা সেকমাইজিন থোং লান্থোকখ্রগনা ৱাবগাই, হিয়াংলম অমসুং ককচীং তাখিদুনা ককচীং লমখাইদা ফাওদোক্লুরগা মোরেরোমদা চৎখিবা য়ারি, থৌবাল্লোমদা হাইগৎলকপসু য়ারি। অদুগা ৱাবগাই লমখাইদগীনা সেরৌ অমদি শুগনু য়ৌদুনা মফমশিং অসিদগী অতোপ্পা লমশিং মথং-মথং চৎখিবা য়ারি। সেকমাইজিন থোং লান্দ্রিঙৈদা খোর্দাক লোমদা চৎখ্রগনা কুম্বী য়ৌনবা ফাওদোকখিবা য়ারি।

হায়রিবশিং অসিনা ষ্টেট হায়ৱেসিগী পরিং মশাংগী শরুক্তা শাংদোক্তুনা মসা মরেং ফন্দোকখিবা য়াবশিংনি। মসিগী মথক্তা হৈরাঙ্গোইথোং, মোংশাঙ্গৈ, লংথবাল, ফুরামখোঙ, হিয়াংথাং, চন্দ্রনদি, শামুরৌ, ৱাঙ্গোইদগীনা পাওবিতেক অমসুং মফমশিংসিদগী হেন্দোরক্তুনা ময়াং-ইম্ফাল ফাওবদা ময়ায় লম্বীদা ফাওন-লম্বী ওইরকপা মফম ময়াম লৈরি। ফাওদোক ফাওজিন তৌরকপসিদা অতোপ্পা থৌবাল, ককচীং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মফমশিংদগীসু য়াওরিবনি। মরম অসিনা ময়ায় লম্বীনা নেসনল হায়ৱে ফাওবা ওইরকপদা মতিক চাদ্রি হায়বা ওইরগসু হৌজিক ষ্টেট হায়ৱেনি হায়দুনা লৈরিবা ফীভমসিসু মতমসিগা চুশিন্নদ্রে হায়বনি। নেসনল হায়ৱে অমগী পাকপা, শাংবা য়াওনা মদুগী ফীভমদুমক য়ৌহনবদা মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদগা তাক্ল-তিন্নদুনা য়াম্না ৱারু-নুংজু থোক্লরক্তুনা ৱায়ান্নরক্কদবা ওইরগসু, মতমসু চঙখিগদবা ওইরবসু হৌজিক পাক্লিবা লম্বীগী চাংসিদগী খজিক্তং ওইরবসু অথুবা মতমদা হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বনি। খুদম ওইনা পল্লবদা কৈশাম্পাৎ থোং মচিন্দগীনা লম্বী পরিংসিগী নীংথেমচা কারোং ফাওবদা পাকথোকহন্দুনা লম্বী ময়ায়দা দিভাইদরগা থমদুনা ত্রাফিক কন্ত্রোল তৌনবগীদমক লৌখৎলল্লিবা থৌরাং অসিমক ময়ায় লম্বী পরিংদা তঙাইফদবগী ফীভম লাক্লে হায়বনি। লম্বী পরিংসিনা নাক য়েৎতা কোনশিল্লিবসি কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী হৌরগা নাওরিয়া পাখংলাকপা, লংথবাল, ৱাঙ্গোই অমসুং ময়াং-ইম্ফালনি। হায়রিবা অসিসু ইম্ফালগী জিরো কিলোমিটরদগী পারগা ময়াং-ইম্ফাল ফাওবদংগী ৱানি। মরমশিং অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা ময়ায় লম্বী (ইম্ফাল-ময়াং-ইম্ফাল) লম্বী পরিংসিদা অথুবদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। খজিক্তং পাকথোকহল্লকপদা লন্নাই মীওইশিংদগী লম য়াম্না লৌশিন্দুনা শেল য়াম্না চঙবগী ফীভমসু ওইরক্কদবা নত্তে। রোদ কন্নেক্তিভিটি (লম্বী অমসুং থোং) ফহনবনা মণিপুরবু ইনক্লুসিভ ওইনা চাওখৎহনবা ঙমগনি হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা হায়রগা ময়ায় লম্বীদা ক্লাক মখোঙ পুখবদৌনা থম্বা চুমদে। মণিপুরগী ষ্টেট হায়ৱে পূম্নমক্তগী ময়ায় লম্বী (ইম্ফাল-ময়াং-ইম্ফাল) লম্বীনা হৌজিক ওইরিবা ত্রাফিক ভোল্যুমগা খ্বাইদগী চানদবা লম্বী অমা ওইরিবনি হায়বসি অচুম্বনি। মসি খঙনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) "**মণিপুর গৌর লীলা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "**মনোরমা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "**অপীকপা নুংশা শ্বর**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) "**ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু**" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লাংবন থাগী হৈশোয় অমসুং নীংশিং লুক্লেন কৎপা

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুর পূম্বগী ওইনা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পা চহী খুদিংগী ওইনা লাংবন থানা লাকপদা লাংবন হৈশোয় অমসুং নীংশিং লুক্লেন কৎপগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরি। থৌদৌশিংসি শাগৈগী ওইনা লৈখিদ্রবশিং, ৱাখল অমরোমদা হায়রগনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অমদি ইমা-ইবেলশিং পূম্নমক্তুবু নীংশিংজদুনা তাইবঙসিদা হিংহৌরিবা মখোয়গী মচা-মশুশিং ওইহৌরিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা মখোয়গীদমক, মখোয়গী মফমদা কৎচবগী থৌরমশিংনি। লাংবন হৈশোয় অমদি লাংবন থাগী নীংশিং লুক্লেনশিংসি মনুং হুৎনা য়েংলুরবদি তশেংনমক মীতৈ/মৈতৈশিংগী ওইবা অসুক্কী মতিক ৱাহন্থোক লৈরবা থৌদৌশিংনি। লাংবন হৈশোয় কৎপগী থৌদৌদি শাগৈগী পিবা অহল-লমনশিংনা হেক্তমক মশা-মশামক্লা শেমজ-শাজদুনা মশামক্লা হকথেংননা কৎনৈ। তৌইগুম্বসুং নীংশিং লুক্লেন কৎপগী থৌদৌশিংদদি লুক্লেন হৌবা কাঙবুশিংবু তোঙান্না নেল্লগা মখোয়বু লুক্লেনশিংদু হৌহন্দুনা কৎচবনি। লুক্লেন কৎপগী থৌদৌশিংসিদা মহৌশানা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপসিনা শাগৈগী ওইবা মচা-মশুশিং খক্তবু লুক্লেনশিংদু খুন্নবা লাঙনদে অমসুং মচা-মশুশিংদুতা নত্তনা লৈকোয়গী অহল-লমনশিং অমদি অতোপ-অতোপ্পা মফমশিংদগী মরুপ-মপাংশিংসু য়াওনা কৎনবগী চৎনবী অমা লৈরকই। চৎনবীসি লৈবনা য়ামদ্রবদা থৌদৌসিগীদমক মীয়াম-চবুন অমগী চাক্লেন অমদি ইশোয়-শোয়দনা শীন লাংবগী মথৌ তাই। অসুম্না, থৌদৌসি পীকশিনবদা ফরক তাবা অমসুং তঙাইফদনা খরদংদা ওইরসু চাউথোক্তবা য়াদবগী ফীভম অমা ওইরকপসিনা লাংবন থাগী মনুংদা লুক্লেনগী মথেলশিংদা লেমহৌদুনা মাঙহৌবগী চাংসি মণিপুর পূম্বগী ওইনা অসুক্কী মতিক য়াল্লমগনি। থৌদৌসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা হৌজিক্কী মতমদা লাংবন থাগী লুক্লেন কৎপগী থৌদৌশিংদা পূন্না মীৎয়েং চঙমিন্নবগী তঙাইফদবা অমা মথৌ তারক্লবরা হায়বা ৱাহং থোরক্লবনি। হংনরক্লিবা ৱাহংশিংসি অতৈগী থোইদোক্লা নত্তে, শুপ্নগী মীতৈ/মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিগী শেন্মীৎলোনগীদমক খরদংদা ওইরসু তুংদা শাফহৌনবা খল্লকপা ৱাখলশিংগী মমি অমা তাহৌনবগীদমক শোয়দনা ওইগনি।

তশেংবদি লাংবন থাগী লুক্লেন কৎপগী থৌরমসি মীতৈ/মৈতৈশিংতগী ওইবা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চৎনরক্লবা ফুরুপসিগী অশেংবা অমসুং অরিবা চৎন-লোনচৎ অমনি। চৎন-লোনচৎসিগী মতুংইন্না মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্লা লাংবন থাদা মাগী-মাগী শাগৈগী নোঙ্গাখ্রবা মপা-মপুশিং অমদি অহল-লমনশিংগী মফমদা ঙমজবা মথেল-লুকোয়শিং লাংদুনা থোঙ-থাক্লগা লাংবন চরা তম্বগী থৌরমসি পাঙথোক্লবনি। মহৌশানা মীতৈ/মৈতৈশিংনা লাংবন থাসিদা শাগৈগী লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং পূম্নমক লাংবন চরা তম্বসি লৌনবগীদমক লাইরৈবাক্তগী মালেম তম্না কুমথরকই হায়না থাজনৈ। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা মীতৈ/মৈতৈশিংগী অরিবা চৎন-লোনচৎসি কায়নথং মণিপুরগী নিংথৌ পামহৈবা (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) গী হাক্তক্তগী হৌনা অনৌবা মওং অমদা হোংদোকখি। নিংথৌ পামহৈবনা লমদমসিগী মীতৈ-মৈতৈশিংবু নমদুনা গৌড় লাইনীং লৌহনখি। মতুংদা লাংবন চরা তম্বা হায়না খঙনরম্বা মীতৈ/মৈতৈশিংগী থৌরমদু পিতৃ লুক হায়না খঙনবা লৈখিদবশিংগী মফমদা তর্পন কৎতুনা ঈরাৎ থৌনি তৌবগী থৌওংনা মহুৎ শিনহল্লম্মী। মীতৈ/মৈতৈশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পাঙথোক্লকপা লাংবন চরা তম্বগী থৌদৌবু শুপ্নগী মীতৈ নিংথৌ পামহৈবা সনা হাক্তক্তা খক্তা গৌড় লাইনীংগী মচৎতা পিতৃ লুকনা মহুৎ শিনখিবগী থৌদৌসি মৈতৈ 'সনামহী লাইকন' কৌবা লাইরিকসিদা য়াম্না ময়েক শেংনা ইদুনা পল্লি। ইদুনা পল্লিবা ৱাফমসিনা মীতৈ/মৈতৈশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পাঙথোক্লকপা লাংবন চরা তম্বগী থৌদৌবু শুপ্নগী মীতৈ নিংথৌ পামহৈবা সনা হাক্তক্তা খক্তা গৌড় লাইনীংগী মচত্তা পিতৃ লুকনা মহুৎ শিনখিবগী থৌদৌসি মৈতৈ 'সনামহী লাইকন' কৌবা লাইরিকসিদা য়াম্না ময়েক শেংনা ইদুনা পল্লি। ইদুনা পল্লিবা ৱাফমসিনা মীতৈ/মৈতৈশিংনা হান্ননা লৈজরম্বা অমসুং হান্না চৎচরম্বা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা পোৎশকশিংদা হৈ-শিংনা অহোংবশিং পুরকখিবগী থৌদৌশিংনা ঙসিদি কয়াদা অমগা-অমগা মরীং-মরাংনবা অমা ফাওহল্লিবনো? অসুম্না মাঙলমচৎতা খজিক-খজিক লানশিনখিবা কয়ামরুম্না ঙসিদি ইরমদমসিগী হীরম পূম্নমক্তা মঙম শান্না অমত্তসু চঙশিনবা ঙম্নদ্রে। লোয়ননা লম্বী অমত্তদসু লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা চাওখৎ খোঙজেলশিংদা য়াওশিল্লুনবা খোঙ থাংজিনবা ঙম্লুদ্রি। মসিনি ইরমদমসিগী লৈমায়সিদা পোকপীরম্বগী অৱাৎপা অমা হায়বদু। হৌজিক ঐখোয়গী ইরমদমসিগী লাইনীং-লাইশোনগী লম্বীসিদনি ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না ৱাখল তামিন্নবা ৱাগদৌরিবসি। ইরমদমসি অচৌবা মপানগী সিটিশিংগা চাংদম্নরুবদা করিসু ওইদে, মীশিংসু য়ামদে। অদুবু ইরমদমসিদা লৈরিবা লাইনীং-লাইশোনগী মান্নদবা অমদি তোঙান-তোঙানবা মখলশিংসিদি অসুক্কী মতিক য়াল্লি। ইরমদম মচাসি অপীকপা মিনি ইন্দিয়া অমগুম্মী। ফীভমসিদা ঐখোয় লীংজেল মান্ননা হিংমিন্নবা ঙমগদ্রা হায়বসি পূক্লিংদা মীপাইবা ফাওরিবনি। হীরম খুদিংদা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদা লাইনীং-লাইশোন্দা খঙদে, হীরম অমদা হেক্তা কা হেনগদৌবা নৎত্রগা খুন্নাই অপূম্বসিগী ওইবা মীৎয়েংদা খজিক্তং পূক্লিংদা নুংঙাইতবা পোক্কদবা মাল্লবদি ঐখোয় থবক্তু পাঙথোকপা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ৱাখল খন্থহৌবা চুমগনি। লাংবনগী চরা তম্বগী চাক্লেন্না ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন অমদি মীচং-শঙ্গগী খুদম খক উৎথোক্লোইসি।

মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লবা কন্না হোৎনরিবা ইরৈবাক-ইরমদম পীশকসিগী শেন্মীৎলোনগী মীৎয়েংশিংদা লাংবনগী হৈশোয় কৎপনা অমদি লুক্লেন কৎপগী চাদিংশিংনা খক অচৌবা মমি অমা ওইহল্লক্তবদি য়াই হায়ববু শীজিন্নদনা অরেম্বদা মাঙহনবগী হৈনবীসিমদি মতম লৈবা খিবিক্তা খক ময়োল চোংহন্নীংদে। অদুগা হংনীংলিবসিনা ঐখোয়গী ইরমদম মচাসিদা লৈমিন্নরিবা ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেটশিংগা য়েংলুরগদি শুপ্নগী মীওই খুজোক অমরোমদনি হায়না ফাওবা লৌবসু য়ারিবা মীশিংসিদা অসুক্কী মতিক ৱাখল্লোনশিং মান্নবা ঙমদ্রিবসি করি মরমগীনো হায়বা ৱাহংসিনি। লন্নাইগী ওইনা থৌদোক-ৱাথোক মচা অমত্তং হেক থোকপদা শিনি-নানি খঙদবা মখৈ লৈজবী খূৎ থাদুনা চাদিং তৌথোকপা ঙম্বা অমদি মশাগী লিংজেলদু মতা অমনি অমসুং মীচঙ-শঙ্গ অসুক্কী মতিক লৈ হায়বদু মীয়াম মাঙদা উৎচনীংবনা ঙাউরবা মীওই কয়ামুক অমা ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা লৈ। মখোয়শিংদু মখোয়গীতা ওইবা তোঙানবা তাইবঙ অমদা তাউজরিবনি। মখোয়শিংদুনা কৈদৌঙৈদা খক ঐখোয়না হিংলিসি খুন্নাই অমখক্তদনি, লৈবাক অমসু পাল্লিবনি, লৈবাক্কী চৎনবী হায়বা অমসু লৈরিবনি হায়বসি খন্থরক্তে। মখোয়গুম্বা মীওইশিংদু মশীং য়াম্না ঐখোয়গী খুন্নাই মচাসিদা য়াওরি হায়বসিসু ঐখোয়না খঙই। মশাগী মসা-শারুঙনা ফন্দোক্তুনা খপ্পদা মসাখক্কীদি অরূম্বা মশক হায়বদু খঙদবা মখৈ লুক্রাকমুক য়াঙনা অতিয়াথক্তা পাইখৎপা ঙল্লবা মহাক্লা মহাক্কী মসাদুনা খপ্পগা মতিক চানা পাইবা ঙমজদ্রিবা কনাগুম্বা অমবুদি খজিক্তং তেংবাঙবীদুনা লৈমায়দগী অমুক্তং পাইখৎহনবীরম্বসি করি কায়? মীঙোন্দা তেংবাঙবগী ৱাখল্লোন মচেৎ অমা ফাওবা লৈত্রবা, মরন্নাই খক্তা শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুনা খুন্নাইসিদা চৎনবী কয়ামরুম অমা হৌদোক্লি। মখোয়না হৌদোক্লিবা চৎনবী কয়ামরুমদু ইন্দুনা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবদা খুন্নাইসিগী মীচম-মীয়ামশিংসি ৱারে, চোকথনরে। শেঞ্জাও পায়বশিংনা য়াৎপীরম্বা শেলগী লম্বেলশিংদুদা মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিংনা কৈদৌঙৈদা খক মখোয়গী খোঙ্গুলশিং মাদুনা চৎপা ফাওসু ঙমজদ্রে। মসিনি ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাই, থাক খেন্নবা মশেন্না খেন্নদবা শাদুনা হিংমিন্নরিবা অমসুং হিংমিন্নরুবগী অকনবা অৱা চৈথেংশিং কয়ামরুম অমা লায়রবশিংতনা ফংলিবা, অদুগুম্বা ষ্টেট অমগী ময়েক লারবা শক্তম। ঙসিগী লাংবন থা, থা অসিনা থৌদৌ পূম্নমকসি লায়রবশিংগী মফমদা অমত্তা চিংখদনা নীংশিংহনবীরি। মসিরা লাংবন থা মানা খুন্নাইসিদা লাকপগী কান্নরিবসি?

চহী অমগী মনুংদা লাংবন থানা লাকপদা ষ্টেটসিদা লৈরিবা শেঞ্জাও পায়বা ইমুংশিংনা করি করি খন্নরিবা? শেলদি পায়জদবা শাগৈগী অপোকপা, অপোকপীশিংবুদি মথম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অমসুং মখোয়গী মফমদা করিগুম্বা খরদংদা ওইরসু কচচনীংবা, লায়রবা মীচমশিংদুগী ৱাখল্লোনশিংদুনা অমুক্কা কদোমদা? মসিনি থাক মান্ননা হিংমিন্নবা ঙমদ্রবা খুন্নাই অমগী মচৎলোন হায়নরিবদু। য়েংবদা শাথীনা নুংঙাইতবা ফাওরিবসি খুন্নাইসিদা পূন্না হিংমিন্নজরবসু শোখনা লৈহৌরিবা কাঙবুশিংসিনি। মখোয়গীদমক খনবীবা মীওইশিং কনা-কনা ঙসিগী খুন্নাইসিদা হিংলিবগে? নোংমগী চরা অনীখক্তং চাবা কোন্নজনবা শেন্দান লম্বীদুখক পীনবীয়ু হায়দুনা তাইবঙ মপুগী মফমদা তত্তনা মকোক নোঞ্জরিবা খুন্নাইসিগী লায়রবা কাঙলূপসিগী মরায়বকসিনা করম্বা মতমদা অমুক চুম্লক্কদৌরি, কনানা হায়বা ঙমগনি? অদুবু 'কুম অমগী লাংবন থানা লাকপদা শাগৈগী অপোকপা-অপোকপীশিংবু পীজ-পীথক তৌজনীংবগী ৱাখল্লোনশিংদুদি লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামসিগী থম্মোয়দসু শাফু কন্না ফাওই হায়বসিমত্তংদি ঙসিগী তাইবঙপানসিগী মীয়াম পূম্নমক্কী মফমদা থমজনীংই'। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাইওইখ্রবা থৱায়শিংগী লাংবন থা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লাংবন থাগী তর্পন মানা লাকপদা তাইবঙ চেঙজেন লোইদুনা নীংঙমদা-নীংঙমদনা চৎখ্রবা থৱায় ওইবা কয়া অমা লাইরৈবাক্তগী কুমথরক্তুনা মরী-মতা, মচা-মশুশিংনা থম্মোয় শেংনা কৎচরিবা হৈরাং খরা, লৈরাং খরা... লৎনবা লৈতনা তাইবঙদা থৱায় ওইবা মহাক্কা উনদ্রবসু নকশিন্নদবা য়াদ্রবা হিংলিঙৈগী মতমদা অরৈ লৈত হংনদুনা হিংদবা য়াদেকো খন্দুনা হিংমিন্নরম্বা পূম্নমক মতম শাংনা লৈমিন্নৌ তমদবনা হান্না লাইরৈবাক্তা চৎখ্রবা থৱায় ওইবা কয়া লাংবন থানা লাকপদা তর্পনগী হৈশোয় চাগদবগী থৱায় ওইবা কয়া হরাও-হরাওনা লাকচবা, মাগী মরী-মতা, মচা-মশুনা করিগুম্বা অমত্তা ফাওবা কৎপীদবনা নীংবা কায়না মপিজাশিংগী মমাঙদা ইকায় ফিরুক্লবা পূম্নমক ঐখোয়না উরুদবগী ৱানি। মসিমক থাঙ্গৈশেংনা থোক্লিবা পোৎনি। মমাগী-মপাগী, মরী-মতা ওইবশিংগীদমক লাংবন থাসিদা ঙমজবা হৈরাং খরদা ওইরবসু লৈরাং খরা ওইরবসু থম্মোয় শেংনা কৎচবা লাইওইখ্রবা থৱায়শিংনা ৱারৌবদি লায়রদুনা তাইবঙদা পুন্সি নুংশাংনা অনা-অয়েক য়াওদনা হিংখোকো হায়দুনা বর ফাওবা পীরম্বা য়াওরিবা পোৎনি। লাংবন থাগী মনুংসিদা করিগুম্বা খরদা ওইরবসু মাগী মমা-মপা ওইবা কয়াগীদমক ঙমজবা খরদা ওইরবসু কৎনীংবগী ৱাখল লৈত্রবা অদুগুম্বা মীওইদুমক মমা-মপানা পোক্লম্বগী লৈহৌরি হায়বগী অর্থ থোক্ত্রবনি। মসিগুম্বা মীওইসিদি মীওইবা ঐখোয়গী মরক্তা অদুমক য়াওরিবা পোৎনি। নিংঙোল ওইবীশিংনা মপাম লমদমদা লাক্তুনা মমাগী-মপাগীদমক লাংবন থাগী তর্পন কৎনবগীদমক হৈরাং খরা, লৈরাং খরা কোম্পাক্তা হাপ্তুনা চেঙ থোইদিংগা লোয়ননা পুজরকপা নুংশিখ্রবা নিংঙোল ওইবীশিংগী মথৌদাংনি। মসিবু পামদনা মনা মনিল করি অমত্তা ফাওবা নাইদনা উতিংগুম লৈথোকপসু নিংঙোল ওইবীশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পোৎনি। মপাম লমদমদা তঙাইফদনা লাকপদা কনানসু করিসু হায়ররোইদবা নিংঙোলশিংগী নিংঙোল চাক্কৌবা, লাংবন থাগী তর্পন হৈশোয় থিল্লকপা অনীসিবু ঙাক্লা ঙসি ফাওবা শরক শিহন্দনা হিংবসু চনু ওইবীশিংগী মরক্তা কয়া অমা য়াওরিবা পোৎনি।

লাংবন থাদসু করিগুম্বা হৈরাং খরদা ওইরবসু লৈরাং খরদা ওইরবসু মপাম লমদমদা মমা-মপাগী, মপু-মবেনগীদমক... মদুগুম্বা মীওইদুনা মবুং-মৌপ্পানা চাক্কৌবগী হায়রকপদা চৎনীংবগী ৱাখল... মসিমক মুন্না খল্লুরবদি ইকায়নীংঙাইনি। মরমদি লাংবন থাগী তর্পনদা করি তৌদুনা নান্থহৌরগা চাক্কৌবদা ইচং থৌনা...। মসিমদি মতুং তাবদা তৌদবনা ফরবনি। ইচলদি, ইচেদি লাংবন থাদসু তর্পনগী কৎনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং খরদা ওইরবসু... মসিমক মপাম লমদমগী মবুং ওইবা মৌপ্পা ওইবা কয়ানা খন্দনীংঙাই লৈরোই। অসুক য়াম্না লাইওইখ্রবা থৱায়গীদমক ঙমজবা হৈরাং লৈরাং খরতা ওইরবসু ঙমজবা খরদং কৎচবা, চেঙ খরা, থোইদিং, তিংথৌ, ঈশিং খুজোক খরা থম্মোয় শেংনা থাজবা অমগা লাইওইখ্রবা থৱায়শিংগীদমক ঐগীদি তশেং তশেংলবা ঈ মরী, মসিমক হিংলিবা ঐখোয়গী থৱায়না নুংঙাইজবা ওইগদবদা করিগুম্বা অমা ফাওবা কৎনীংবগী ৱাখল লৈত্রবা মহাকপু লাইওইখ্রবা থৱায়না পেঞ্জবা হায়বদুমদি ওইররোইদবনি। কনা কনাগুম্বা মচিঞ্জাক চাবা মীওইদি মপাগী মমাগী ওইনা লাইদা লাইরুক কৎতুনা কৈরোই লৈকায়গী মরুপ মপিজা অহল ওইবশিংদা পীজ-পীথক তৌদুনা অঙম অঙম্বা দখিনা কৎতুনা... মসিমা মীপূম খুদিংনা তৌনবা থবক্তি ওইদবনি। ঙমদবগী ৱানি মসিদি ফজখ্রবা নিতি নিয়ম অমনি হায়না লৌবদা কাইদ্রবনি। লাংবন থাগী তর্পন মনুংগী উসব, মসিবু কনাগুম্বা খরগী মফমদদি মসিবু চাবা ফংলবদি পুন্সি নুংশাংগনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি। য়াম্নমক ঙমদ্রবসু লাংবন থাসিদদি উচেক-ৱায়াশিংগী মচিঞ্জাক ওইনবগীদমক নশা নশাগী ইঙ্খোলনুংদা চেঙ খুজোক অমত্তা ওইরবসু নুমিৎ খুদিংগী থাবীবা মসিসু উচেক ৱায়াশিংগীসু মচিঞ্জাক ওইদৌরিবনি। নুমিৎ খুদিংগী থাবদা অদুমক লাক্তনিংঙাই লৈরোই। থাজবগী মতুংইন্না লাইওইখ্রবা থৱায়না ওল্লক্তুনা লমখুনু ওইনা পাইরক্তুনা মশামক্লা লৈজরম্বা ইঙ্খোলদা মসিমক থাজবা হায়বদু ওইনরিবনি। মচিঞ্জাক ওইনা চেঙ-থোইদিং থাদোকপীবা লোয়ননা চফু অমদা ঈশিং পীক থন্না থম্বীদুনা...। মসিনা তশেং তশেংনা ওইরল্লবা লাইওইখ্রবা থৱায় মানা ওল্লকপা লমখুনু শুংশোয় শোয়দনা পেঞ্জরমগদৌরিবনি।

লাংবন থাগীদা নত্তনা অতৈগী মতমদসু থাবীবদা অফবা হায়বদু ওইদনীংঙাই লৈরোই। উচেক-ৱায়াবু নুংশিবা নুংশিরিবা মীওইদুমক ধর্ম্ম লৈবা মীওই অমা শোয়দনা ওইরমদৌরিবনি। মতম অমগী মনীং তৌনা লৈজরম্বা ক্বাক, চরোই মখল কয়াগী উচেক হৌজিকপু লৈরি হায়রসিরা? ঙম্নমক কদোমদনো অমা লৈখ্রব্রা? মসিগী মনুংদা অদুমক লৈহৌরিবা উচেক খরা হায়বা তারবদি লমখুনু, শেন্দ্রাং, খোইনিং... মসি নত্তনা অতৈদি ইরৈ লৈতবগুম ওইরক্লবনি। হিংলিবা উচেক খরসিগীদমক মীওইবা ঐখোয়না মখোয়বু মীনুংশি লৈনা মখোয়গীদমক চেঙ থাবীদুনা...। উ-ৱাসু মতম অমগী মতৌগুম মপূং ফানা হৌরক্তবা মরম্না কাইদোংফম লৈতবদগী কাইদোংফম থিবদা অৱাবা অমা ওইরবনি। খোমলেন মঙলান্দা লাক্তুনা পেঞ্জদবগী ৱাকৎ তৌরবা মসিসু অদুমক থোক্তে হায়বা য়াবা নত্তে। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা থৱায়গা নকশিন্নবা, উন্নবা য়াদ্রবসু মংলান্দদি ৱারী-ৱাতাই তৌবগী খুদোংচাবা ওইনা লৈবনিনা মংলান্দদি শোয়দবী ওইনা তৌরবনি। মসিবু থাজদবা ওইরোইদবনি হায়না লৌবা য়াবা নত্তে। কনা কনাগুম্বগী মংলান্দা নোংমদি শোয়দনা লাইওইখ্রবা ইমা-ইপা, ইচিন ইনাও... শোয়দনমক্কী উরমদৌরিবনি। তাইবঙদা হিংলিঙৈগী মতৌগুম্না...। মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক তুংথা-মাংথগী ৱানি। অকোন অহানগী অদুক খাইবগী ৱারীনি। উচেক ৱায়াগীসু , হৈরাংগীসু, লৈরাংগীসু নোংমদি লৈখোক লোইদুনা মালেমদা...। উচেক ৱায়া, মীওইবা, শাহিং চাবা জীব কয়া ঙম্নমক অমত্তা লৈহৌগদবা নত্তে। থৱায় খুদিংমক অশি লৈবাক্তগী মালেমসিদা চহীগী মনুংদা লাংবন থানা লাকপসিদা তাইবঙদা কুম্লক্তুনা... মাগী মচা মশু, মরী-মতানা করিগুম্বা খরতা ওইরবসু লাংবন থাগী তর্পন মনুংদা কৎপীরক্ত্রবা মশা মথন্তা পেন্দদনা ওন্থোক্লা ফত্তেদা ঐগীসু... মরুপ মপিজা কয়াদি মাগী মাগী মরী-মতা, মচা-মশুনা...। থৱায়দি ওইরগা মখোয় মশেন্দা ফাওবা ইকায়বা লৈনবা হায়বদু ওইরিবনি। হৈরাং লৈরাং কৎপা ঙমদ্রবসু ঈশিং খুজোক খরতা ওইরবসু থম্মোয় শেংনা কৎচবদা থৱায় ওইবশিংনা শোয়দনা পেঞ্জগদৌরিবনি।

**অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা**
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল